**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 21-03-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতিদা ঙসি রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা এগ্রিভিজন এগ্রি য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট ২০২৬ হৌদোকখ্রে।

২) থৌনাউজম বসন্তকুমার এম.এল.এনা হায়রি- কেন্দ্রদগী অহেনবা শেন্থং লৌথদুনা মণিপুরদা ফিশা লোনশা অমদি খুৎ-শা হৈবগী থবক হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনগনি।

৩) ইস্লাম ধর্ম্ম চৎপা মুসলমানশিংগী শেংলবা কুম্হৈ-ইদুল ফিটর ঙসি ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হ্রাউ তয়াম্বগা লোয়ননা পাঙথোকরি।

৪) উমং কন্নবা হোৎনবদা মীয়াম পুন্না শরুক য়ামিন্ননবা, প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেতর ওফ ফোরেষ্ট অনুরাগ ভাজপাইনা আপীল তৌরি।

অমসুং

৫) আমেরিকাগী রাষ্ট্রপতি দোনাল্ড ত্রম্পনা হায়রি- ইরানগী মায়োক্তা অকনবা মিলিটরি ওপরেসন চখ্থনবা খন্নরি।

**------**

রাজ্যপাল (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ভিক্সিত ভারত ২০৪৭ কী মঙলান অসি ফংনবা হোৎনবদা অনৌবা টেকোলোজি অমসুং ইনোভেসন শিজিন্নদুনা লৌউ শিংউগী লমদা অহোংবা পুরকপা তঙাইফদে।

ইম্ফালগী ইরোইশেম্বদা লৈবা সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতিদা ঙসি এগ্রিভিজন এগ্রি য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট ২০২৬ হৌদোকপগী থৌরমদা রাজ্যপালনা হায়- অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা নহারোলশিং অমসুং ষ্টেক হোল্ডরশিংবু অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা লৌউ শিংউগী লম হেন্না চাওখৎহন্নবা প্লেটফোর্ম অমা পার্লিয়ামেন্ট অসিনা পীরগনি। অৱাং নোংপোক লমদম মরুওইনা মণিপুর অসি বাইও দাইভর্সিতি মখল কয়া মরাং কায়না লৈবা, লম্লক্কী শা-উচেক, পাম্বী অমদি মহৌশাগী ওইবা অকোইবগী অঙকপা শক্তমশিংনা থনবা লমদম অমনি। রাজ্যপালনা হায়- মণিপুরগী তাংলবা পোখোকশিং চাকহাউ, কচাইগী চম্প্রা অমসুং তমেংলোংগী কোমলা মালেমগী থাক্তা মীয়ামা পামবা পোখোকশিং ওইরক্লি। পোখোকশিং অসি মরাং কায়না পুথোক্তুনা মপান লমশিংদা য়োন্নবগী থৌরাংশিংসু পায়খৎলি। অনৌবা মতমগা চুনবা টেকোলোজি শিজিন্নবা, হোংলক্লিবা অঙীং অশাগী খল অসিগা চুশিন্ননা হৌবা ঙমগদবা মহৈ মরোংশিং থাবা, ইনফ্রাষ্টকচর ফগৎহনবা অমসুং পোখোকশিং অসিবু লৈবা য়োনবগী থবক হেন্না ফগৎহনবা তঙাইফদে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর ডাঃ অনুপম মিশ্রানা হায়- মীওইবনা হিংবদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং চাননবা চীঞ্জাক হায়বসি য়ামা মরুওই। চীঞ্জাক্তা মীপাল তাংদনবা হোৎনবা হায়বসি য়ামা মরুওইবা সমস্য অমনি। মসিবু মপুং ফানা ফংননবা হৌগৎলক্লিবা মীরোলশিংনা থৱায় য়াওনা হোৎনবা তঙাইফদে।

থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংগী নাৎকী ওইবা জগোই অমদি মখোয়গী চীঞ্জাক, চৎনবী কয়া উৎখি। য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট অসিদা রাজ্য সরকারগী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী ষ্টোল য়াওনা লৌউ শিংউগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং উৎপা পুন্না ষ্টোল ৩৭ হাংলি।

নুমিৎ হুমি চথুগদবা য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট অসি তুং কোইবা অনৌবা ৱাখল্লোনদা অহেনবা খুদোংচাবা ফংবা মওংদা অৱাং নোংপোক ভারত্তা লৌউ শিংউগী লমদা খোঙ থাংজিনবা হায়বা হিরমদা পাঙথোকপনি। য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট অসিদা লৌউ শিংউ অমদি মসিগা মরী লৈনবা লমশিংদা থিজিন খোমজিনবা,

টেকোলোজিগী খুমাং য়াংশিনবা অমদি অনৌবা ৱাখল্লোনশিংদা মরুওইনা খন্ন-নৈনগনি। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা অসাম এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতি জোরহাৎকী ভাইস চান্সেল্লর ডাঃ দিপজ্যোতি রাজখোৱা য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

টেক্সতাইল (এল)ঃ  থৌনাউজম বসন্তকুমার এম.এল.এনা হায়রি- টেক্সতাইল, হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফটসকী লমদা কেন্দ্রদগী অহেনবা শেন্থং লৌথদুনা মণিপুরদা ফিশা লোনশা অমদি খুৎ-শা হৈবগী থবক হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনগনি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুমস এন্দ তেক্সটাইলসনা শিন্দুনা ঙসি উৎলৌ ময়াই লৈকাইদা লৈবা হেরা হোলদা পাঙথোকপা সরকারগী স্কিমশিং অমসুং নেসনেল হেন্দলুম দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা ফিশাকোন অমদি ফিশাবীশিংগী শকখঙচে  য়েন্থোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়ারদুনা শ্রী বসন্ত কুমারনা হায়- রাজ্যগী হেন্দলুমস এন্দ টেক্সতাইলস দিপার্টমেন্টকী মখাদা ফিশাকোন অমদি ফিশাবীশিংগী শকখঙচে পীরিবা অসিগীদমক ঐখোয় পুমমকা দিপার্টমেন্ট অসিবু থাগৎফম থোকই।

ফিশাবীশিংদা সরকারনা পায়খৎলিবা স্কিমশিংগী কান্নবা নিংথিনা খঙহন্দুনা কান্নবশিং ফংবা হৌরকপা অসি য়ামা ফবা খোঙথাং অমনি। মহাকা হায়- কুমজা ২০১৪ দগী হৌদুনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা অৱাবা অমদি লাইরবা মীয়ামগীদমক তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং হৌদোক্লুনা কান্নবা পীরক্লি। রাজনীতি দলশিংগী খেন্নবা ৱাখল্লোন থাদোক্লুনা অফবা তৌরকপশিংবু ঐখোয়না থাগৎফম থোকই।

চান্দেল (এল)ঃ  ভিক্সিত ভারত ২০৪৭ হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইবা স্পিপসিয়েল আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা চান্দেল জিলাগী পুরুম পান্থা ভিলেজদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ভারত সরকারগী ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী, সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন, ফিল্ড ওফিস চান্দেলনা অচিবা

থিয়েতর এসোসিয়েসন শগোলবন্দ অমসুং কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা মীতৈ ইন্দিজিনস থাং তা এন্দ কলচরেল ইন্সটিট্যুটকা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা পুরুম পানথা ভিলেজগী চেয়ারমেন জিবন সানখিলনা হায়- তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী কান্নবশিংগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকপা অসি য়ামা ফৈ।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা সি.বি.সি, এফ.ও চান্দেলগী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর মোইরাংথেম রুষ্টমনা হায়- মফম অদুগী মীয়ামদা সরকারগী স্কিমশিংগী কান্নবা নিংথিনা খঙহন্দুনা লমদম অদুগী মীয়ামগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

ইদ (এল)ঃ ইস্লাম ধর্ম্ম চৎপা মুসলমানশিংগী শেংলবা কুম্মৈ-ইদুল ফিটর ঙসি ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা পাঙথোকরি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ইস্লাম ধর্ম্ম চৎপা মীওইশিংনা মসজিদশিংদা চৎতুনা লাই খুরুমখি। য়ুমথোঙ খুদিংদা মথেল লুকোই লাংদুনা চাকহেন থা লোইখ্রবগী তুংদা হরাউনা চামিন থকমিন্নবনা কুম্মৈ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি। ইদুল ফিতরগা মরী লৈননা ঙমজবা খুদোলশিং তমবগী চৎনবীসু মহৌশাগুম অদুমক পাঙথোকরি।

পোইত্রি (এল)ঃ সাহিত্য থৌপাং লুপনা শিন্দুনা ৱার্ল্ড পোইত্রি ডেগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরমসু পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা চহি খুদিংগী মণিপুরী লোল অমসুং সাহিত্যগীদমক হোৎনরিবা মীওইশিংবু শকখঙবা অমদি ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা পীবা গোপাল শর্ম্ম এৱার্দ চহি অসিগী ওহনা অইবা য়োংখোম বিহারিদা পীখ্রে। মনা অসিদা শেল, সাইতেসন অমদি লেংয়ান য়াওরি।

ৱার্ল্ড পোইত্রি ডেগী থৌরম ঙসি ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিগী দি.এম. কলেজ ওফ আর্টসতসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা য়ুনিভর্সিতি অসিগী স্কুল ওফ

হ্যুমেনিতিজগী দিন, প্রোফেসার এস. লনচেনবা মীতৈ য়াওনা শকাইরবা ওজা কয়া শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ওজাশিং অমদি মহৈরোইশিংনা শৈরেং পাথোকখি।

খোরিরোল শন্দোক-লুপ ৱাংজিংনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অমসুং নিংঙোল খুৎ মণিপুর ৱাংজিংনা পুন্না শিন্দুনা মালেমগী শৈরেংগী নুমিৎ থৌরম ঙসি ৱাংজিংদা পাঙথোকখি।

রাইটরস এসোসিয়েসন ককচিংনা শিন্দুনা মালেমগী শৈরেংগী নুমিৎ ককচিং চুমনাং লৈকাইদা লৈবা রিপ্রজেন্টেতিভস ওফ লোইজগী ওদিতোরিয়ামদা পাঙথোকখি। সাহিত্য সেবা সমিতি ককচিংনসু পালন থৌরম অসি ককচিং মখা লৈকাই, নাউদম পরেংদা পাঙথোকখি।

উমং (এল)ঃ মণিপুরগী প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেতর ওফ ফোরেষ্ট ওইরিবা এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেতরি অনুরাগ ভাজপাইনা হায়রি- উমং হায়বসি লৈবাক অসিগী মীয়ামগী লননি, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী লন নত্তে। মরম অদুনা উমং য়োকখৎপদা মীয়ামা শরুক য়াবা হায়বসি তঙাইফদবা থৌদাং অমনি।

রাজ্যগী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমদেং মখা লৈকাইদা পাঙথোকপা মালেমগী উমং নুমিৎকী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়ারদুনা শ্রী ভাজপাইনা হায়- মীওইবা খুনাইগী চীঞ্জাক ৱাৎহন্দনবা হোৎনবদা উমংনা চাউরবা থৌদাং লৌরি। তোঙান তোঙানবা উদ্যোগ কয়া উমংগী পোত্থোকশিংদা য়ুন্সফম ওইবনা অয়াম্বনি। উমং ৱামং কোকথোরকপদগী অঙৈং অশা অমদি নোংজ্ নুংশাগী খলদা অকায়বা থোরক্লিবশিং অসিদগী কন্ননবা মীয়াম পুন্না থৌদাং লৌমিন্নবা তঙাইফদে।

থৌরম অদুদা উমং য়োকখৎপগী লমদা তোঙান তোঙানবা থৌদাংশিং লৌরিবা মীওইশিংদসু মনা পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

ফিল্ম (এল)ঃ অহুমশুবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া ফিল্ম ফেষ্টিবেল ২০২৬, ঙসিদগী ইম্ফালগী লমফেলদা লৈবা তন্থা পোলিষ্ট সিনেমাদা হৌখ্রে।

নুমিৎ নিনি চথ্বগদবা ফেষ্টিবেল অসি ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয় অমসুং নেসনেল ফিল্ম দিবলপমেন্ট কোরপোরেসনগী মীৎয়েং মখাদা থৌনা মনিপুর, দি.আই.পি.আর. অমসুং ওল মনিপুর ফিল্ম প্রদ্যুসর এসোসিয়েসননা পুন্না শিনবনি।

নোং (এল)ঃ মণিপুরগী মফম খরদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম নোং কন্না চুখ্রে। গ্রেতর ইম্ফাল এরিয়াদসু অকনবা নুংশিৎকা লোয়ননা মতম খরা নোং কন্না চুখি। ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- নুংশিৎ অদুনা মরম ওইদুনা লম্বীগী নাকলদা হৌবা উপাল কয়া তেকখি। খঙহৌদনা খংচু চুরকখিবা অদুনা মফম কয়াদা ইরম নালাশিং পাথোক্তুনা লম্বীদা ঈশিং তুংশিনদুনা লৈবা য়াওখি।

মরক অসিদা, ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল সেন্তর ইম্ফালনা হায়রি- হয়েংসু মণিপুরগী মফম খরদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

ত্রম্প ঃ আমেরিকাগী রাষ্ট্রপতি দোনাল্ড ত্রম্পনা হায়রি- ইরানগী মায়োক্তা অকনবা মিলিটরি ওপরেসন চথ্নবা খন্নরি। ট্রুট সোসিয়েলদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা শা ত্রম্পনা হায়- চথ্বগদৌরিবা মিলিটরি ওপরেসন অসিগী পান্দম মপুং ফানা ফংবা ঙমবা কুপা খন্ন-নৈনরি। ফেব্রুৱারি ২৮ দগী থোরকখিবা লান অসি থুনা লোইশিন্নবা দরকার লৈবা থবক পুমমক পাঙথোকবা হোৎনরি হায়নসু মহাকা অকনবা ৱাফমশিং ফোংদোকখি। ইজরেলনা ইরানগা মরুওইবা গ্যাস পুথোকফমশিংদা অকনবা লান্দা চথ্খ্রবা মতুংদা ইরান্না কটারদা লৈবা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা এল.এন.জি প্লান্টতা লান্দারকখ্রবা মতুংদা শ্রী ত্রম্পকী ৱাফম অসি ফোংদোরকপনি।

মরক অসিদা, ষ্টেট ওফ হোরমুসপু অশোই অঙাম য়াওদবা ঈশিং লম্বী অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা সাউথ কোরিয়াসু শরুক য়ানবা থৌরাং তৌদুনা লৈরি হায়না ফোংদোকখ্রে। ঈশিং লম্বী অসিদা মালেম অপুনবগী থাউ অমসুং গ্যাস সপ্লাইগী চাদা ২০ লোমদি চৎথোক চৎশিন তৌরিবনি।

রাজনাথ ঃ কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- নোংচুপ এসিয়াদা লান থোকপদগী ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা ভারত খক্তা নত্তনা মালেম পুম্বগী ওইনা চাউনা নুংনাংবা অমা ওইহল্লে।

উত্তরাখন্দগী হলৱানিদা ঙসি পাঙথোকখিবা উত্তরাখন্দ সরকারনা চহি ৪ মপুং ফারকপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী সিংহনা হায়- থোক্লিবা লান অসিনা থাউ অমসুং চীঞ্জাক্কী অৱাবা চৈথেং কয়া পীরকপা য়াই। অদুমওইনমক, ভারতকী ওইনদি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা অখন্নবা মীৎয়েং চংদুনা সমস্যশিং মায়োকদনবা ঙমজবী থাক্তা হোৎনরি। থোক্লিবা লান অসিগী মতাংদা ভারতকী ওইবা চপ চাবা ফিরেপ্তি ৱারী শান্নদুনা ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা হোৎনগদবনি হায়বসিনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট ঃ লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ১৩ শুবা টি-ত্বেন্তি মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু (এন) ললাম্বুংনা এস.য়ু (এস.ভি.সি) শগোলবন্দবু ৱিকেট ৬ তা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা থৌবাল নিংঙোম্বমগী মিনি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা থার্দ দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এম.এফ.সি.সি ৱাংজিংনা এফ.পি.এম.সি খোংজোমবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা টি.ঐচ.এস.সি.সিনা টি.কে.দব্লিউ.এবু থোইখ্রে।

স্বিমিং ঃ স্বিমিং মশান্নগী ওলিম্পিক অমদি ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী কেমেরুন মেক এভোইনা নুপাগী মিতর ৫০ গী ফ্রি ষ্টাইলদা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রে। চাইনাগী সেন জেংদা পাঙথোকপা চাইনা ওপনদা মহাকা মিতর ৫০ গী ফ্রি ষ্টাইল কেটগোরিদা সেকেন্দ ২০.৮৮ দা অনৌবা রেকোর্দ থমখিবনি।

**বেদমিন্টন ঃ  ফ্রান্সতা চথরিবা ওরলিয়ন্স মাষ্টরস বেদমিন্টনগী নুপীগী সিঙ্গল সেমি ফাইনেলদা জপানগী নোজোমি ওকুহারানা ভারতকী তনভি শর্ম্মবু ২১-৯, ২১-১৬ তা থোইখ্রে।**

**------**